**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-07-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২১-০৭-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ময়াই কাবা দ্রগ ললোনলিবশিংগী মথক্তা অসাম রাইফলসনা লৌখৎলকপা থবকশিংবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

২) রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং, খূৎশু খূৎলাই অমসুং ময়াই কাবা দ্রগ ফাগৎপা লেপত্রি।

**অমসুং**

৩) সংসদকী নোংজ্ মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মথং থাগী ২১ ফাওবা চত্থগদবা মীফম অসি পুন্না সিত্তিং ২১ লৈগনি।

**------**

**বিরেন (এল)ঃ** লমদম অশোমদা ময়াই কাবা দ্রগশিং ললোন্নবা হোৎনরিবশিংগী মথক্তা অসাম রাইফলসনা লৌখৎলকপা থবকপু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অসাম রাইফলসনা চত্থখিবা ওপরেসন অমদা সাপোন কেপ ৬১৬ তা হাপ্তুনা পুরম্বা

লূপা কোতি ৭৬ লোমগী মমল ওইগদবা আইননা য়াদবা দ্রগ, লূপা কোতি ২ লাক্ষ ৫২ রোমগী মমল ওইগদবা কানি কিলোগ্রাম ৫০ অমসুং লূপা কোতি ১ লাক্ষ ২৪ রোমগী ম্যান্মারগী শেল ক্যাট অমসুং ভারতকী পৈশাদা লূপা লাক্ষ ২ ফাগৎপগা লোয়ননা মীওই অমসু ফাখি। ঙমখৈ লান্না দ্রগ ললোনলিবশিংগী মথক্তা মখা তানা হেন্না কনবা থবক লৌখৎনবসু শ্রী বিরেননা অসাম রাইফলসতা তকশিল্লি। মতম শাংনগী মমাঙদগী দ্রগ ললোনবগী লন্বী ওইনা শিজিন্নদুনা লাক্লিবা ঙমখৈলোমদা অকনবা থবকশিং মখা তানা লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু শ্রী বিরেননা ফোঙদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং ফাবা, খূৎশু খূৎলাই অমসুং ময়াই কাবা দ্রগ ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাগী মনুং চনবা সাবোমফাই অমসুং চৌধরিখান খুলগী মরক্তা বরাক তুরেলদা ইঞ্জিন পানবা পেসেঞ্জর হী অমা চেক তৌবদা সাপোন কেপ ৬১৬ তা হাপ্তুনা পুরম্বা ব্রাউন সুগরনি হায়না চিংনবা পুন্না কিলোগ্রাম ১০ রোম লুম্বা পোৎলমশিং ফাগৎলে। মসিগা লোয়ননা, কিলোগ্রাম ৫ হেনবগী আইননা য়াদবা গুলিশিংসু ফাগৎলে। পোৎলমশিং অসিবু পুরকপা অসামগী কসারদগী মীওই অমসু ফারে হায়রি।

অমরোমদা, থাংমৈবন্দ, খুয়াথোং পোলেম লৈকাইদগী নোংমৈ মরু ললোনবদা চেন্নবা মীওই অহুম ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয়দগী ইন্সাসকী নোংমৈ মরু ৭০, এ.কে মেগজিন অমগা লোয়ননা নোংমৈ মরু ২৬, ইন্সাস এল.এম.জিগী অহাংবা মেগজিন অনি, ইন্সাস রাইফলগী অহানবা মেগজিন অমা, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম-এস.এল.আরগী অহাংবা মেগজিন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী নোংমৈ মরু ৬৭, পোইন্ট থ্রি আইট এম.এমগী নোংমৈ মরু ১০০ অমসুং এস.এল.আরগী নোংমৈ মরু ৩ ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহললুপ মখা লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী প্রিপাক্কী সার্জন মেজরনি হায়জবা মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মহাক ম্যান্মারগী তানালদা বেসিক মিলিটরি ত্রেনিং ফংলবা মীওইনি হায়রি। ঙরাংসু রাজ্য পুলিসনা ককচিং সুপর মার্কেট এরিয়াদগী য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অনি ফারে। মখোয় অনিমক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। শিংজমৈ চীংঙামখোঙদা রাজ্য পুলিসনা এ.স্তার অমা খামদুনা চেক তৌবদা সাপোন কেপ ১০দা হাপ্পুনা পুরম্বা হেরোইন নম্বর ফোর ফারে। পোৎলমশিং অদুবু পুরম্বা ইরোং চৈসাবদগী মীওই অমসু ফাগৎলে হায়রি।

**এ.আর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমসুং এদিতর্স গিল্ড মণিপুরনা শিন্দুনা সঙাইথেলগী ওলেম্পিক পার্কতা উ-চারাশিং থাখ্রে। অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মহৌশাগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বদা থৌদাং লৌমিন্নবা ওইনা উ-চারাশিং থাবগী থবক অসি চথখিবনি। থৌরম অদুদা, এদিতর্স গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, জেনরেল সেক্রেটরি রুপচন্দ্র, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্তা অমসুং সি.আর.পি.এফ অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কামজোং জিলাগী নুংশঙ ভিলেজ মনাক্তা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমা থোকপদা শোক্লবা মীওই অনিদা অসাম রাইফলসনা খুদক্কী ওইনা লায়েংবগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

**ৱেদর (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি জিলা ৯ দা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলাশিং অদুদি-তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলনি।

**সংসদঃ** সংসদকী নোংজ্ মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মথং থাগী ২১ ফাওবা চথগদবা মীফম অসিগী মনুংদা পুন্না সিত্তিং ২১ লৈগনি।

মীফম অসিগী মাংওইননা ঙরাং দল পুমমক্কী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা সংসদকী মীফম অসি নিংথিনা চথবা য়ানবা খন্নখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং রাজ্য সভাগী লুচিংবসু ওইরিবা জে.পি.নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়রস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ, রাজ্য মন্ত্রিশিং আর্জ্ন রাম মেঘৱাল অমসুং ডা.এল মুরুগনসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

মীফম অদুগী তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- মীফম অদু য়ামা নিংথিনা পাঙথোকখি অমসুং সভাগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী দলশিংগী ফিরেপ অমসুং মখোয়না মীফম চথরিঙৈদা পুখৎনিংবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। শ্রী রিজিজ্না হায়- সরকারনা সভা অনিমক্কী মীফম নিংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা বিরোধি লুচিংবশিংদা হায়জখি। সরকারনা ওপরেসন সিন্দুরগুম্বা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা সংসদতা মপুং ফানা খন্ননিংবগী অপাম্বসু মহাকা ফোংদোকখি।

**ধনখরঃ** উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরনা হায়রি- ৱারি শান্নবা, খন্ন-নৈনবা অমসুং ফজবা মওংদা ৱা ঙাংনবগীদমক ভারত অসি মালেমগী মীয়ামা খঙনবা লমদম অমা ওইদুনা লাক্লি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা রাজ্য সভা ইন্তর্ণশিভ প্রোগ্রামগী ৮ শুবা বেটচ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী ধনখরনা হায়- ৱাহন্থোক লৈনা খন্ন-নৈনবা অমসুং পুকিং চংনা ৱা ঙাংবগী থৌওংশিংনা লৈবাক অসিবু হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎলকপা ঙমগদৌরিবনি। মহাকা হায়- রাজনিতি দল খুদিংমকা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহনবদা মখোয়গী মপুং ওইবা পান্দম থল্লি। মসি হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী ৱাখলদা নিংথিনা মমি তাহনগদবনি। রাজনিতি দলশিংনা রাজনিতি তৌবা মতমদা শেমগৎ শাগৎপা অমদি চাউখৎপগী

মাইকৈদা চংশিনবা ঙমগদবা রাজনিতি তৌনবসু শ্রী ধনখরনা আপিল তৌখি।

**সাইকলঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাবিয়ানা লুচিংদুনা বারানাসিগী বানারাজ হিন্দু য়ুনিভর্সিতিদা ঙরাং 'ফিট ইন্দিয়া সন্দেজ ওন সাইকল' কেম্পেইন হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা, মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী মহৈলোইশঙ খুদিংমক্তা নাসামুক্তা ভারত-ময়াই কাবা নিশা লৈতবা ভারত অমা ওইহন্নবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নহারোলশিংবু মশা মউ ফনা থমনবা কেম্পেইন অসি পাক শন্না চথরগনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মহৈলোইশঙ লিশিং ৬ হেনবদা 'ফিট ইন্দিয়া সন্দেজ ওন সাইকল' কেম্পেইন অসি চথনবা পান্দম থল্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল হায়ৱে পাকথোকবা প্রোজেক্টকী শেনফম কুকি লালহৌবশিংনা নারোলদা লৌথোকখিবা, এম.এল.এ ৩২ না লৈঙাক শেমবা ক্লেম তৌনবা থৌরাং অমদি ঙসিদগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম হৌরগনি হায়বা পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- নেসনেল হায়ৱে পাকথোকপগী কম্পেনসেসন ফংগদবশিংগী শেল ককখিবা কে.এন.এফনা নমদুনা সাইন তৌহল্লগা ককখিবনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙনরি।

সনালৈবাক্তা- এন.ঐচ পাকথোকবা প্রোজেক্টকী শেনফম কুকি লালহৌবশিংনা নারোলদা হাইদৎখ্রে, অহাংবা চেদা নমফুদা খুয়েক খোমগৎখ্রে,

ক্রোর ৩২০গী চাদা ৫০ খোমগৎপগী ৱাথোক লাক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস, পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এ ৩২ না লৈঙাক শেমবা ক্লেম তৌদৌরি হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ঙসিদগী সিত্তিং ২১ লৈগদবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজ মীফম হৌরগনি, মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকপদা অয়াবা পীবীনবা বিরেন লৈঙাক্কী মাইকৈদগী রিজোল্যুসন অমা শোইদনা পুখৎলগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- ঙসিদগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজ মীফম হৌরগনি, মণিপুরগী জি.এস.টি বিল, দিমান্টস ফোর গ্রান্টস পুথোক্কনি, পি.আর শাংদোকপগী অয়াবসু লৌগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকহনবসি মীয়ামগী অনিংবা অপান্বা অমসুং দেমোক্রেসিগী মায়োক্তনি হায়বা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে.মেঘচন্দ্রগী ৱাফম- হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং অমদি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

কুকি সু গ্রুপকী কেম্প থম্বগী ৱাথোক চাউথোরক্লে, কাংচুপ চিরু রিজর্ভ

ফোরেষ্টতা নৌনা কুকি সু গ্রুপকী কেম্প থন্বা য়ারোই হায়বা রুরেল য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এম.দি.এনা প্রসিদেন্ট রুল শাংথবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি, ওগষ্ট ফাওবদা অনৌবা সরকার শেমবা য়ানা লৈরে হায়না- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ফুটহিলস নাগা কো-ওরদিনেতিং কম্মিতিনা নাগাশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা কুকিশিং চংবদা অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

লৈবাক অসিগী অচৌবা সহরশিংদা শাশিন্নবা অমদি আইননা য়াদবা থবকশিংদগী চেকশিন্নবা নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, পুনেনা নাগা মীয়ামদা চেকশিল ৱারোল থল্লকখিবগী পাউনা- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**